**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-10-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ১৪-১০-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন না হায়রি-লোক্তাক পাৎ অসি শোইদনা কনবা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা লোক্তাক পাৎকী ফুমদিশিং শেংদোকপদগী তরু তশেংলবা পাৎ অসিগী বিদিও অমা উৎলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিনা কন্না হোৎনবদগী লোক্তাক পাৎতা লৈরম্বা ফুমদিশিং শেংদোকপগী থবক খুমাং চাওশিন্না চংশিল্লি মসিগীদমক লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। লোক্তাক পাৎপু তরু তশেংবা ফজরবা পাৎ অমা ওইনা থমবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না থৌদাং য়ামিন্ননবসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**ইস্কোন (এল)ঃ** ভক্তীস্বারুপা দামোদারা স্বামি শ্রীপদ গী ১৮ শুবা নিংশিং থৌরম ঙরাং ইম্ফালগী ইয়রপোর্ট রোদ তা লৈবা ইস্কোন মণি মন্দির য়াওনা মালেমগী অতৈ মফমশিংদা লৈবা ইস্কোন সেন্তরশিংদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। বিগ্যান অমসুং ধর্ম পুনশিন্নদুনা ইং তপ্লা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনরম্বা বিষ্ণুপুর জিলাগী তৌবুল খুংগংদা পোকখিবা ভক্তীস্বারুপা দামোদারা স্বামি লৈখিদবগী ১৮ রক শুবা নিংশিং থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবগী ফোটোদা লৈশু কৎপা, সংকৃতন পাঙথোকপা অমসুং লূচিংবা অসিগী মরমদা ৱা ঙাংবনা মপুং ওইবা থৌরমশিং ওইখি।

**বোম(এল)ঃ** হেলথ দিপার্টমেন্টতা এদ্দিসনেল দিরেক্তর ওইরম্বা ইম্ফাল ৱেষ্টকী চজিং মৈতৈ লমখায়দা লৈবা ডোক্তর অমগী য়ুমদা ঙরাং শকখংদবশিংনা বোম অমা থমজিল্লম্লে। থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মফম অদুগী মীয়ামা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মীরক্তা বোম থমজিনবা য়ানিংদে, মীয়ামদা অকি অখং পীবিগনু হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খঙাবোক কৈথেলদা লৈরিবা দুকান অমদি লন্নাই য়ুমশিংদা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌরকপা খুদক্তা লেপ্পিয়ু হায়দুনা ঙরাং মফম অদুগী মীয়ামা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে। লমদম অদুগী মৈরা পাইবীশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অকি অখং পীবিগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

**হোমগার্দ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা হোম গার্দশিংগী তোঙান তোঙানবা কম্মান্দেন্ট জেনরেলশিং হাপ্পীনবা মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যির এসোসিএসন্না হায়রি।

ইম্ফালগী জি.এম হোলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা এসোসিএসন অসিগী চহীগী জেনরেল বোদি মীফমদা ৱাফম অসি য়াওনা অতৈ ৱাকৎ কয়া সরকারদা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখি।

**আরকে(এল)ঃ** আর.কে.সি.এস হায়রগসু হেন্না মীয়ামা খঙনবা রাজকুমার চন্দ্রজিতসনা সিংহ গী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং ইম্ফালগী জে.এন.মণিপুর দান্স একাদেমীদা পাঙথোকখ্রে। আর.কে.সি.এস বার্থ সেন্তিনরি সেলেব্রেসন কম্মিতিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চহী ১০০ গী খোঙচৎ কৌবা বুকলেত অমসুং ফোঙখি। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর পাওনম গুনিনদ্রো সিংহ অমসুং সেন্তিনরি কম্মিতিগী চেয়র পার্সন ডোক্তর কৈশাম সোবিতা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ১৩ শুবা আর.কে.সি.এস চিলদ্রেন পেন্তিং কম্পিতিসনগী মকোক মথং তারবাশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** মনাও নুপানা নোংমৈনা কাপ্পদা লৈখিদ্রবা অনন্দপুরনা স্কুল ওফ সাইন্সেসকী প্রিন্সিপাল ওইরন্বা সাপম স্বামিনাথকী থৌৰাই য়াওদ্রবা হকচাংদা স্কুল অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা ঙরাং ইকাই খুমবা উৎখ্রে।

**কনভেন্সন (এল)ঃ** ৱান হোম ফাউন্দেসন অমদি ৱাংখেম ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতি অনিনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা কনভেন্সন অমা ঙরাং য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্টসু ওইরবা এম.এল.এ কৈশাম মেঘচন্দ্রগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংদা স্কুল বেগ য়েন্থোকখি। হন্দক্তা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওদা অৱাবা নংলবা ইমুং ১৬ তসু হাপ্পাশিং য়েন্থোকখি।

**বোদিবিলদরস (এল)ঃ** রাজ্যগী থাক্তা পাঙথোক্কদবা অহানবা এ-থ্রী ক্লাসিক বোদি বিলদিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ লাকিবা থা অসিগী ২০ দগী খুরাই শাজোর লৈকাইদা লৈবা উত্তারায়ন থিয়েতরদা হৌরগনি। চেম্পিয়নশিপ অসি মেন্স বোদি বিলদিং অমসুং মেন্স স্পোর্টস ফিজিক হায়না কেতেগোরি অনিথোকা খায়দোক্তুনা চাংদমগনি। চেম্পিয়নশিপ অসি ওল মণিপুর বোদি বিলদরস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

**জম্মু ঃ** জম্মু কাশ্মীরদা অনৌবা সরকার অমা শেমনবা লম্বী য়াৎপা ওইনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুদা রাষ্ট্রপতিগী সাসন লৈরম্বা অদু হৌখিবা অহিংদগী লৌথোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা কেন্দ্র সরকারনা নোতিফিকেসন অমা থোকখ্রে। জম্মু কাশ্মীরদা নেসনেল কনফরেন্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওমর অবদুল্লাহ না অনৌবা সরকার শেমনবা ক্লেম তৌখ্রে। নেসনেল কনফরেন্স অমসুং কংগ্রেসকী চংশিন্নবা কাংবুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা বিধান সভা মীখলদা মেজোরিতি ফংখিবনি। হন্দক্কী অসি থারগা ওমর অবদুল্লাহনা মুখ্য মন্ত্রি ওইবা অনিরক শুরগনি।

**রাষ্ট্রপতি ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী অফ্রিকাগী লৈবাক অহুম খোঙচৎকী অহানবা ওইনা ঙরাং অলজেরিয়াদা থুংখ্রে। মহাকা থুংলবদা অলজেরিয়াগী রাষ্ট্রপতি অবদেল মার্জিত তেবুন অমসুং মহাক্কী কেবিনেতকী মেম্বরশিংনা তরামা ওকখি। তুংদা, রাষ্ট্রপতিনা অলজেরিয়াগী কোনুং এলজিয়রসতা লৈবা ভারত মচাশিংনা পাঙথোকপা তরামা ওকপগী থৌরম অমদা ৱা ঙাংখি। শ্রীমতি মুরমুগী হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা ভারতকী রাষ্ট্রপতি অমনা লৈবাক অসিদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইরি।

রাষ্ট্রপতিগী খোঙচৎ অসিদা লোয়নরিবা ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-মহাকা অলজিরাদা নুমিৎ হুমি লৈরিঙৈ মনুংদা অলজেরিয়াগী রাষ্ট্রপতি য়াওনা অতৈ লূচিংবা কয়াগা উনদুনা লৈবাক অনিগী মরি হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারি শান্নগনি। শ্রীমতি মুরমুনা মফম অদুদা লৈরিবা ঐতিহাসিক ওইরবা মফম খরদসু চৎকনি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক বিক্সিট ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা পি.এম.গতি শক্তি নেসনেল মাস্তর প্লান না অচৌবা থৌদাং লৌরগনি। পি.এম গতি শক্তি হৌদোকখিবগী চহী অহুম মপুং ফারকপগা মরি লৈননা নিউ দেল্লিগী ভারত মান্দপমদা ঙরাং চৎতুনা পি.এম গতি শক্তি অনুভুতি কেন্দ্রদা য়েংশিনখি। থৌশিল অসি লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা মায় পাকা পাঙথোকবা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং উবদা প্রধান মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। থৌশিল অসিগী মখাদা কান্নবা পীগদবা লৈবাক অসিগী অঙ্গনৱাদি সেন্তর লাখ ১০ হেনবগী মেপশিং নেসনেল মাস্তর প্লান অদুদা উৎলি।

**কোক্কেন ঃ** নাশামুক্তা ভারত অভিয়ান অমসুং ময়াইকাবা দ্রগ লৈহন্দনবা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলকপা থৌরাংগী মখাদা দেল্লি পুলিসকী স্পিসিএল সেল অমসুং গুজরাত পুলিসনা ঙরাং পাঙথোকখিবা জোইন্ট ওপরেসন অমদা গুজরাত কী অনক্লেস্বরদা লৈবা অপকার দ্রগস লিমিটেট কম্পনিদগী কোক্কেন কিলোগ্রাম ৫১৮ ফারে। হায়রিবা কোক্কেনশিং অসিগী মমল মালেমগী থাক্তা লূপা কোতি লিশিং ৫ রোম ওইগনি হায়রি। থা অসিগী ১ দসু দেল্লি পুলিস সেলনা মহিপালপুরদা লৈবা ৱাইয়র হাউস অমদা থিবা হুস্বগী থবক চথুবদসু কিলোগ্রাম ৫৬২ গী কোক্কেন অমসুং গনজা কিলোগ্রাম ৪০ য়াওবা কনসাইন্মেন্ট অমা ফাগৎখি।

**বিজেপি ঃ** বি.জে.পিনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমসুং মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি মোহন য়াদবপু হরিয়ানা বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী মীফম পাঙথোক্তুনা লূচিংবা খন্নবগী সেন্ত্রেল ওভজার্বরশিং ওইনা হাপ্লে।

অমরোমদা, কেন্দ্রগী মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসি অমসুং বি.জে.পিগী নেসনেল সেক্রেতরি তরুন ছুকপু জম্মু কাশ্মীর বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী লূচিংবা খন্ননবা সেন্ত্রেল ওভজার্বর ওইনা হাপ্লে।

**হোম ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লৈরিবা সেন্ত্রেল দিপার্টমেন্ট অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা লাক্লিবা ওক্তোবর ২৪ দা ভারতকী অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফিরাল পুন্না পাইহন্নবা খঙহনখ্রে।

খোঙথাং অসি য়ুনাইটেদ নেসন্স লীংখৎখিবগী নুমিৎ য়ুনাইটেদ নেসন্স ডেগা মরী লৈননা লৌখৎখিবনি। অদুমওইনমক, ভারতকী রাস্ত্রপতি ভবন, ভাইস প্রসিদেন্টকী হাউস, পার্লিয়ামেন্ট হাউস, সুপ্রিম কোর্টকী বিল্ডিং, রাজ ভবন, বিধান সভা, বিধান পরিষদ অমসুং হায় কোর্টশিংদি হায়রিবা ৱাফম অসি চৎনরোই।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-কিরন**

লমদম অসিদা ঙল্লিথৈ মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ক্বাক তানবগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখিবা, থা অসিগী ১৫ দা নিউ দিল্লিদা কুকি অমসুং মীতৈ এম.এল.এশিং ৱারি শান্নরগনি হায়বা অমসুং এম.পি.বিমোল অকোইজম না রিলিফ কেম্পশিংদা চৎপদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

নহারোলগী পাউচেদা লৈবাক অসিদা ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। হুরান চিন্থি, শাবাও লানপাও কল্লবসু মীতৈনা শোয়দনা মায় পাক্কনি-ক্বাক তানবগী মপাউ হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদগী দিতোনেতর লিশিং ৩৯,৯০০ ফাগৎলে। কে.এন.এফ(বি) নি চিংনবা নুপী অমা য়াওনা অহুম কাপ্তুনা হাৎলল্লে হায়বা পাউনা মণিপুর নিউজকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইচেল এক্সপ্রেশতা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা লোক্তাক পাৎ শোয়দনা কনবা ঙমগনি, পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়বা সি.এমগী ৱাফমনা ইচেল এক্সপ্রেশকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দিয়া লৈঙাকা কন্সটিট্যুসনগী আর্তিকল-৩ শিজিন্নদুনা মণিপুর থুগাইনবা হোৎরক্লবদি মীয়ামগা লোয়ননা চপ চানা থেংনগনি হায়বা এম.বি.বিমোল অকোইজমগী ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুরগী রাজ্যপালনা এগ্রি তল্লিবা মহৈরোইশিং উনখে, অমদি ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন না হয়েং পুং ২৪গী চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়বা পাউনা মণিপুর মেলগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

আই.পি.এস.এ না য়ু.এন.ঐচ.আর.সিদা মণিপুরগী ৱা পুথোকবা অথৌবা অমসুং ডোক্তর নোনি তরামা ওকখ্রে হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

লিতান অসি সিকিবুং খুলগী শরুকি হায়বা জি.পি.আর.এনগী ৱাফমনা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

নিউ দিল্লিদা মৈতৈ,নাগা, কুকি মন্ত্রি অমসুং এম.এল.এশিং ৱারি শান্নবা য়ারি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউচে অসিমক্কী ইংলিসকী ইদিসনদসু ফোঙলি।

মতৈ মনাও খৎনবদা খান্নুবা ময়াম্বা মনাও নুপানা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। ময়াম্বা হাৎলূবা মনাও নুপা দবল বেরেলগা কোন্ননা পুলিসনা ফাখ্রে হায়বা পাউনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

কৌক্রুক্তা দ্রোন বোম শিজিন্নে হায়বগী খুদম চাংদম পুলিসনা ফংলে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রী প্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

হৌখিবা চহী অমা অসিদা নমফুদা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওই ৩৭০ পুলিসনা ফাগৎলে হায়বা পাউনা সেনাপতিনা ফোঙবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মণিপুর পুলিস এন্টি-এক্সটোর্সন সেল শেমখিবা, অমদি লিয়াংমৈ নাগা কতিমাই রুৰাংদি মণিপুরনা দিসেম্বর অনিদা জগা ঙি কুম্ধো পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউনা গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং তাইমসকী মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--কিরন--**